# অফবা মঙ মঙশী, মঙলাক্লদনবা

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

মঙ মঙবা হায়বসি পূক্নীং অমসুং হকচাংগী মচৎ মখল অমনি। মীওইবগী পূক্নীং অসিদা ফাওরিবা মশীং থীঙমদ্রবা ৱাখলগী ঈথক-ইরৈ কয়ানা তূম্না-তূম্না নৎত্রগা তূমদনা মঙ মঙহল্লি। অদুম ওইনমক, অহীং তূম্লিঔেদা ফত্তবা, অৱা-অনা নৎত্রগা অকি-অখংগী মঙ মঙলক্তুনা অদুগুম্বা তায়োন্নবা ফীভম অদুদগী পূক্নীং অসিনা নাম্থোক্লবা হোৎনবদা, মশাদি তূমদুনা ৱাখল তানীং-তামাং তৌবা সব-কন্সিয়শকী মওং অমদা লৈবা মরম্না হৌগৎতুনা চেনবসু ঙমদবা, অদুগা খোঞ্জেল থোক্লা লাউবসু ঙমজদবা, য়াম্না ৱাবা মতাং অসিবু ঐখোয়না মঙলাক্লবা হায়না খঙনরি। অসিগুম্বা মঙলাক-হারাক্লবা তূম্লিঔেংগী থৌওং অসি পূক্নীং ৱাখল অমসুং হকচাং অহুম্মক অসিবু লেঙবা-লাকপা ঙমহন্দনা ফাজিন্দুনা থম্বা মরম্না য়াম্নমক খূদোংথীনীংঙাইগী মশক্নি, লাইবক থীরবদি অহীং মঙলাক্লদুনা শিবা হায়নবগুম তাঙলবা মীওই-মপোক অসি খাঙউথক্তা মাঙখিবা ফাওবা য়াই। মতৌ অসুম্না তূমদনা মঙ মঙবা হায়বা অসিসু অফবা অমসুং অচুম্বা ৱাখলদা মঙবা ওইরবদি অফবা মহয় ফংই, মসি নত্তদুনা অরানবা ৱাখলদা য়ূম্ফম ওইরবদি মীওইববু অৱাবগী ঈপাক্তা ঈরাক্লহল্লি।

তেংবানবা অসি, কনাগুম্বা শকউদবা খূৎহৈবা অমনা মঙখিবা নুংঙাইরবা মঙলান অমগী মমিনি। নুমিৎ-থা, লেঙলি-পাল্লিবা অচৎ-চত্ত খিবীক অসি অদুগুম্বা অহৌবা-অরোইবা নাইদ্রবা অশুপ্পা মপু অদুগী খূৎশেম ঙাক্তনি। মপান্থোংগী ওইবা ফিজিকেল ৱর্ল্ডদা অচেৎপা থাজবা থম্বা সাইন্টিষ্টশিংনা পোৎশক পূম্নমক অসি মথন মথন্তা ওইরকপনি হায়জবা তারবসু, ইমা-ইপা অনী য়াওদনা নহাকসু নথন্তা ওইজরকপরা হায়বা ৱাহং অসি হংলুরবদি পাউখুম পীফম খঙলোই। মীওইবগী পূক্নীং অমসুং ৱাখল হায়বসি লুরবা সমুদ্রগী ইরোলনুংদগীসু হেন্না লুই অমসুং ঙমখৈ নাইদ্রবা অতিয়াগী মতৌগুম্না মপান নাইদে। ৱাফম অসি ওইদুনসু পূক্নীংদা ফাওদুনা লৈবা অমসুং ৱাখলনা লাম্বা ফংবা নুংগী ৱাফম অমবু মশক-মওং নাইদে, উবা ফংদে হায়দুনা লৈতে হায়না লৌফম থোক্তে। ঙসিগী মতম অসিদদি মীৎনা উবা অমসুং উদবা তাইবঙ অনীগী নুং-পাল লৈনবা মরী অদু মশক মুম্না খঙবা ঙম্নবগীদমক্তা লিটরেচর, লেংগ্বেজ, হিষ্ট্রি অমসুং ফিলোজোফি অসিনচিংবা হীরমশিংবু অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা হ্যুমেনিটিজ হায়না মিংথোল্লগা অৱাংবা ক্লাসশিংদা তম্নরে। থৌওং অসিনা মহৌশা অমসুং মীওইবনচিংবা থৱায় পানবশিংগী তাইবঙ অনী অসিগী মরক্তা লৈনরিবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা অমত্তা ওইবা মরী অদুবু অনৌবা মীরোলদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনরি। মসি মেটরিয়েল্লিজমনা মমিৎ তাঙহল্লবা অমসুং থম্মোয় নুং ওলহল্লবা মীওইবা খুন্নাইগী লৈতাফম খঙনদ্রবা পুন্সি-মহিংদা নুংশি-চান্ননা, পূন্না হিংমিন্নবগী লীচিং অমা শাগৎনবা হোৎনরকপনি হায়বা য়াই, য়াম্নমক পূক্নীং থৌগৎনীংঙাইনি।

খন্নবা য়াবদি, পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা অথোইবা মপোকশিংনা, মরু ওইনা যিশু, বুদ্ধ অমসুং গান্ধীনচিংবা কয়ানা তেংবানবা অসিবু মরা তপ্পগী তূংনফম অমা ওইহন্নবা হোৎনখিবদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা অসিনি। লাইনীংলোন, মীওইবগী লোনচৎ, মিনুংশি অমসুং থম্মোয় হায়রিবা মীগা শাগা অনীগী মরক্তা খারিবা পলশিং অসি মমিংতগী ওইনা লৈবগুম্না তৌরি। তাইবঙমী মশেল নুংশিনৌ হায়রুবগীদমক্তা ক্রোসতা পাং তিংদুনা যিশু হাৎখিবা অমসুং হিন্দু-মুস্লিম অনীমক চপ মান্নবা তাইবঙমী ঙাক্তনি হায়না কাঙলূপ মশেল হাৎন-শুনদনবা নন-ভাইওলেন্সকী পাউজেল শন্দোকখিবা গান্ধীবু নোংমৈনা কাপ্পুনা পুন্সি পিখম্নহনখিবা হকচিনবা হিন্দুত্বগী থৌওংনি হায়রিবা মীওইবগী তমথীরবা পুকচেল অসি ঙসিসু লেঙদনা লৈরি। তাইবঙ মীগী মশাদা অফবা-ফত্তবা, শারিংজেল-নারিংজেল অনীমক তূনা য়াওই হায়নৈ, অদুবু বাইবলনা, গীতানা অমসুং কুরাননা হায়রিবা মীওইবা খুন্নাইগা য়েম্মৌনবা শাজৎশিং অসিবু মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদে। মমল-নাইদ্রবা লাইনীংলোলগী লাইরিকশিং অসি ফি থোংদবা মীওইবগী অথীবা মশকশিং অদু লোৎশিন্নবগীদমক্তা শেৎ-চাবা লৈতেংগী ফিজোল ওইনা লৈরি। য়ুনাইটেদ নেশন্স ওর্গনাইজেশন (য়ু এন ও) গী মায়খুম উপ্পা চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা মরা তপ্পা ফীভম অমা পুরক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা, মশা-মশাগী ওইজবনা মাঙওইনখিদুনা মালেম অসিবু ঈনা লৌখোং চেল্লবা অচৌবা লানফম অমা ওইহল্লক্লি। আমেরিকাগী পোলিসিনা নোর্থ অটলান্টিক ত্রিটি ওর্গনাইজেশন (নেটো) গী খূথাংদা রুসিয়াগী লম লৌশিন্নবা হোৎনরকপা, রুসিয়ানা অমুক য়ুক্রেনদা লান্দাদুনা খুদুম চনশিনবা, চাইনানা এসিয়াগী লৈবাক মচা-মচাশিংদা নত্তনা য়ুরোপকী পেসিফিক তোর্ব্বান পরীংদা লৈবা লৈবাকশিং য়ৌনা য়োৎশিন্নবা হোৎনরকপা, মিদ্দল ইষ্টতা ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা পেলেষ্টিনিয়নশিংগী লম খোপচিন্দুনা লীশাং শীৎনা তমথীরবা মীহাৎ-মীপূনগী থৌওং কয়া চথদুনা লাকপা অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মশাগী ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরদা মশীং য়াম্লবা লান্মী অমদি কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিং থাজিন্দুনা মীতৈগা-কুকিগা, কুকিগা-কুকিগা, কুকিগা-নাগা কাঙলূপ মশেল লোইবা নাইদনা হাৎতোক্লহন্দুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই লাখ অমরোম অৱা লানগাইবগুম ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনবা অসিনচিংবা থৌওং পূম্নমক অসি আ: পুৱারীগী অঙনবা মতমদগী চৎনরক্লবা মীওইবা খুন্নাইগী মচৎনি হায়না লৌরসিরা নৎত্রগা মসিবু তূমদনা মঙবা মঙ হায়বদুরা?

মালেম অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউনা দেমোক্রেসি চৎনবা লৈবাক অমনি হায়না চাউথোকচরিবা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুশন অসিমকসু, চাওখৎখ্রবা লৈবাকশিংগী অথীবা মশকশিং অদু উহন্দনবা উপ্পা মায়খুম ওন্থোকপীরবা, য়ু এন ওগী কনানসু ঙাক্লা চৎপীদ্রবা চার্টরশিং অমসুং মীওইবনা মপান্থোংগী ওইনা ফজৈ হায়দুনা লৈতেং ওইনা শীজিন্নরিবা বাইবল অমদি গীতাগী মতৌগুম্না করিগুম্বা মখলগী ৱাহন্থোক অমত্তা লৈতবগুম্না উবা ফংনরি। ৱাফম অসি শেংলবা কন্সটিট্যুশন অসিবু হুলাল্লুবগী ৱা ঙাকসু নৎতে, মদুদি লোগী মীৎয়েংদা অরানবা হায়বদু ওইগনি। তৌবতবু মীওইবা হায়রিবা মশক খঙবা লুরবা অহিংবা থৱায় পানবশিং অসিনা তেংবানবগী ফজখ্রবা চৎনরোল কয়াবু মশাগী ওইজবা থিবগী পোলিটিক্সতা খোঙনেৎনদুনা কাঞ্জ থাঙ তাহনবা অসিদি অকি-অখংতনা থল্লবা তমথীরবা মঙলান অমদা মঙলাক্লবগুম্বনি। মীপূম খূদীংমক অসি মশা মশাগী ৱাখল-লৌশিং পূম্নমক মাঙখিদুনা কন্সিয়সনেশকী ৱাংমদা লৈবা সব-কন্সিয়সনেশ হায়বা ফীভম অদুগী অমম্বা কৈশুমশঙ অমদা ফাজিন-পুনশিন্দুনা থম্বগুম্না হিংনরক্লে। মালেম অসিদা করম্বা মীৎকুপ্তা ন্যুক্লিয়রগী লাঞ্জাউ থোক্লক্কদগে, মীওইবনা মালেমগী লৈমায় অসিদগী খোঙ্গুল মুৎখিগদবা পুংজা অদু নকশিল্লক্লব্রা হায়বা মিপাইনীংঙাই ওইরবা ৱাহংশিং অসি মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লে।

লোগী মীৎয়েংদদি নিংথৌ ওইগেরা, মীনাই ওইগেরা মীগী মী চপ মান্নে হায়বা ৱাফম অসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী ১৪শুবা শীংকক্তা য়ূম্ফম ওইবনি। তেংবানবগী লৈবাক পূম্নমক্লা শেম-শাদুনা থম্নরিবা কন্সটিট্যুশন খূদীংদসু মীওইবা মশেলগী মরক্তা খেন্নবা লৈতবগী ৱাফম অসি য়াম্না ময়েক শেংনা য়াওই। মসি ইংলেন্দদা ঙসিদগী চহী ৮১১গী মমাঙ, কুমজা ১২১৫দা, মীওৎ-মীনৈ চথবদা হালেঙদ্রবা নিংথৌ জোনবু নম্ফুদা খূৎয়েক পীহনখিবা Magna Carta হায়রিবা অঙনবা মতমগী কন্সটিট্যুশন অসি পুথোকখিবা মতম অদুদগী চৎনবা হৌখ্রে। অদুম ওইনমক, মীওইবা খুন্নাইগী মচৎতা য়াওরিবা অঙম অঙম্বা শেৎতুনা চানবা অমসুং অকনবনা অশোনববু তুহৎপগী মওং অসিদি ঙসিসু মাঙবা লৈত্রি। লোগী ওইবা থীওরি অমসুং প্রেক্টিস অনী অসিগী মরক্তা মেন্সিনবা ঙম্লরোইদবা য়াম্না চাউবা অহোবা অমা লৈরি। লো কোর্টনা তাউথরকপা জুদিসিয়ারিগী য়াথংশিংবু, থবক্তা ওন্থোক্কদবা লৈঙাক্কী অঙম-অথৌশিংনা মরম অমা নৎত্রগা অমা পীশিন্দুনা চন্নফম লৈতবা চেথী-চেগুম ওইহল্লি। অসিগুম্বা মীওইবা খুন্নাইগী লৈঙাক্লোন অমসুং মীয়াম্না হিংনরিবা নুংনাংনীংঙাই ওইরবা পুন্সি-মহিং অসিবু মণিপুরগী শক্লাইরবা, অনৌবা মতমগী লময়ানবা অশৈবা, লৈখিদ্রবা লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা “হুরানবা মচা অমা, হুরানবা হুম্ফুনা ফারগা নেৎপদা, হুরানবা মচা মথ্বায় থায়” হায়না য়াম্না চূনবা মেটাফর শীজিন্নদুনা মশক তাকপীরম্মী। লৈঙাক পায়রিবা অঙম-অথৌ অমসুং অচৌ-অশাংশিংনা লৌতুনদুনা য়াম্না হৈ-শিংনা লৈবাক্কী শেঙ্গাওদগী লুপা ক্রোর ক্রোর খূবাক ময়ায়দা শগুন তৌবদা, মমিৎ পুনশিল্লগা অচুম্বা ৱায়েলগী শের-ফালা পায়রিবা ৱায়েন-মপুশিংনা উবা ফংদে, অদুবু শুফম-নোম্ফম খঙদবদগী চানীংঙাই লৈতদুনা মীগী ফুরিৎখাও চপ্লবা পোকেটমার অমবুদি ময়াম চঙদুনা ফূরগা হাৎলি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী শীংকক ১৯(১) (দি) না লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদীংমকপু চৎনীংবা মফমদা মনীং তম্না চৎপা ফংবগী হক অমা পীরি, অদুবু অঙকপদি মালেমগী করিগুম্বা লৈবাক অমত্তদসু তৌনদবা মওংদা, মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরিবা মীতৈশিংনা ষ্টেট অসিগী নেশনল হায়ৱেশিংদা ফাওদুনা চৎপা ঙমদ্রি। মসিদগী মীতৈ কিদুনা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিং অমদি মখোয়গী শরৈদা চৎপা কুকিশিংসু তম্পাক্তা লাক্তুনা মহৌশাগুম্না মীতৈশিংগা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবগী ৱাখল থাদোক্লি। থৌওং অসি লৈবাক অসিদা চৎনরিবা লোগী মখাদা সিপরেট এদমিনষ্ট্রেশনগী দিমান্দ তানবনি হায়না ক্লেইম তৌরিবা কুকি সিপরেটিষ্টশিংনা কন্সটিট্যুশনবু ফাগি তাহনবা নত্তনা করিসু নত্তে। মখোয়না বফর জোন হায়বা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মমিৎতা উৎ চাইবা ওইনা থমখিবা খূৎশেমগী ঙমখৈ অমবু লৈঙাক্লা অয়াবা পীরবা কুকিলেন্দগী ঙমখৈ ওইনা লৌদুনা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম ফম্নবা থৌরাং তৌরকপদা কাংপোকপী ফাওদুনা চৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা থল্লি। মমাঙদা পানখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোক্লম্বা ‘গো টু হিলস’ হায়বা থৌশিল অদুগী পরিংদা সী এম ৱাই খেমচান্দনা সেনাপতিদা কেবিনেট মীফম ফম্নবা হোৎনরিবা অসিমকসু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী মতুংইন্না লিংলিবা ‘ষ্টেট গভর্নমেন্ট’ হায়রিবা ইন্সটিট্যুশন অসি মসা পানবা উচেক-ৱায়াগী মতৌগুম্না অরেপ্পা য়ূম্ফম লৈজদ্রে হায়বদু উৎপনি। ষ্টেট অমা নৎত্রগা লৈবাক অমা হায়বসি মথৌ তারবদি ফোর্স শীজিন্নবগী মতীক-মঙম চেল্লি। অদুম ওইনমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি য়াওনা, মণিপুরগী নেশনল হায়ৱেশিংদা কুকি নার্কো-টেররিষ্ট অমসুং নাগা লালহৌবশিংবু মনীং তম্না থাদোক্তুনা থমখিবা অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু মখোঙ-মখূৎ পুনশিন্দুনা থম্বীবগা চপ মান্নরি।

কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা কাউরোইদবদি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নেশনল হায়ৱেশিংদা নাগা লালহৌবশিংবু মনীং তম্না থাদোক্তুনা লুট-পাৎ অমসুং মীহাৎ-মীপূনগী তমথীরবা ক্রাইম কয়া লীশাং শীৎনা চথহল্লবসু, শাংলবা চহী ২০ লোম অসিদা গ্রেটর নাগালেন্দগী মঙলান অসি মঙফাওনবা ঙমদনা লৈরি হায়বা অসিনি। মঙফাওনগনি হায়বগী থাজবসু লৈতে, মরমদি ইকনোমি অমসুং মিলিটরিগী পৱারদা মালেমগী মাঙজিল থাবা লৈবাকশিংগী মনুং চনবা ঙম্লবা অপূনবা ইন্দিয়ানা, অৱাং-নোংপোক লমদমদা লৈরিবা নাগা অমদি কুকি খূৎলায় পায়বা খুজোক খরগী মফমদা সরেন্দর তৌবা হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংগী মমাঙদা মশাগী মায় খূনীংঙাইনি। মতাং অসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফম অমনা -- ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নেশনল হায়ৱেশিংদা শান্নরিবা লীলা অসিদা নাগা অমসুং কুকি খূৎলায় পায়বশিংবু পঙথহন্নবা লুট-পাৎ অমদি মীহাৎ-মীপূন তৌহন্দুনা এপিজমেন্ট পোলিসি অমা চথবগা লোয়ননা, মশাগী চহী লিশীং অনী হেল্লবা অচেৎপা আইদেন্টিটি লৈজবা, তম্পাক্তা তারিবা মীতৈনচিংবা য়েলহৌমীশিংগী ইকনোমি অসি হৌগৎ-কাঞ্জৎপা ঙমদনা লৈখা তাহন্নবা হোৎনরব্রা হায়বা অসিনি। হায়ৱেশিং অসিদা চীংগী খূৎলায় পায়বশিং অসিনা, অচৎ-অওক তৌরিবা মশীং য়াম্লবা ট্রান্সপোর্ট ভেহিকলশিংদগী নমদুনা লৌরিবা মখল-মখা কয়াগী টেক্সশিং অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিগী মপান্দগী পুশিল্লকপা, মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচঙ পূম্নমক্কী মমল অসি অতিয়া পক্লা ৱাংলি। করিগুম্বা হায়রিবা থৌওং অসিনা মীওইবগী পুন্সি অমসুং অফা-অপূন্নবা লৈতবা পুন্সি-মহিং অনীমক কন্সটিট্যুশনগী শীংকক ২১না ঙাক-শেন্দুনা থম্মী হায়বা ৱাফম অসিগী ৱাহন্থোক ওইবা তারবদি ইন্দিয়াদা, মরু ওইনা মণিপুরদা চৎনরিবা দেমোক্রেসি অসি মীফত্ত, মীরৈহৎ অমসুং মীহাৎপশিংগী দেমোক্রেসিনি হায়দবা ঙম্লোই।

মণিপুরগী চীংগী লমদমশিংবু ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লা মীরাইবীরে, তম্পাক্লা থোং মান্ননা চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপীদ্রে অমসুং চীংমীশিংগী হক মৎপীরে হায়বা খোল্লাউ অমসু তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দ তৌরিবা চীংগী খূৎলায় পায়বশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লাউদুনা লাক্লি। অদুবু মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংলবা মতুংদা লিংখিবা ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা শেম্বা হীল এরিয়া কম্মিটি (ঐচ এ সী) হায়বসি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী কারকপা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিংনা থৌবু ওইবনি। মসিগীসু মথক্তা চীংগী অকক্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) শিংসু লৈরি। চীংগী লম্বী-থোং শেম্বা, মহৈ-মশিং তম্বা, অনা-লায়েংগী থবক অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মতম মতমগী ওইনা ফংহনবা সোশল সিক্যুরিটিগী কান্নবা পূম্নমক অসি ঐচ এ সী অমদি এ দি সী অনী অসিগী খূথাংদা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙাক্তনি। কন্সটিট্যুশনগী শীংকক ৩৭১সি অসিগী মতুংইন্না চীংগী চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপগী হীরম অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী অতোপ্পা ইন্সটিট্যুশন অমত্তনা খূৎ থিংজিল্লুবা য়াদে। মরম অসিনা চীং-তম অনী চপ মান্ননা শেমগৎপীদ্রে, অচান-মীরাই নাইবা মীৎয়েংনা য়েংলে হায়বা ৱাকৎ অসিগা ঐচ এ সী অমসুং এ দি সীশিংগী থৌবু ওইরিবা চীংমী এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টরশিংগী শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈনবরা হায়বসি নৈননীংঙাইনি। চীংগী এম এল এ অয়াম্বা ভোট হেক কারকপগা তম্পাক্তা লম লৈদুনা ময়ূম-মকৈ ফুড়া-দলান শারগা লৈনখিবনা অয়াম্বনি। ৱাফম অসিগী ময়েক লারবা খুদম কয়া ইম্ফাল অমসুং মন্ত্রিপুখ্রিনচিংবা তম্পাক্কী অতৈ মফমশিংদা উবা ফংগনি। এদমিনিষ্ট্রেশন হায়বসি মীওইবগী থবক্লি, মী ফৎত্রবদি এদমিনিষ্ট্রেশনসু ফত্তে অমসুং দেমোক্রেসিগী শেংলবা ইন্সটিট্যুশন পূম্নমকপু মশক থীহন্দুনা লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লি, ঈরাং হৌহল্লি অমদি খুন্নাইগী উচলদা - অকায়বা থোক্লক্তুনা মচেৎ-মচেৎ কীম্থহল্লকই। অফবা মঙ মঙসি, মঙলাক্লদনবা। ●

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্না মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (৮)

**- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -**

অসুম্না, জংগোল হায়রিবা, কোহ্লিং হায়রিবদো, পোৎ অদুগী য়েক্লবনি। য়েক্লবা অদুবু শেংদোক্তনা, তকথৎতনা, থৌরম পাঙবা ঙম্বা হৌনদে। হৌজিক্কী মতমদা মীতৈ ঐখোয়না চৎনরিবা গৌড় ধর্ম্ম হায়রিবসে মীতৈ ঐখোয়গা নন লোকলগা ‘বান্ধব’ শানবগুম্বনি। নন লোকলদো, ঐগী ইপা মরী, ইমা মরী থোক্তে। মরুপ ইবুঙোসিং, মীতৈগা নন লোকলগা মরুপ শান্নবসিদা, নন লোকলগা মীতৈগা লমচৎ তিন্নবা করিসু লৈতে। অসুম্না মরী মতাং থোক্তবা নন লোকলগী গৌড় ধর্ম্মসিবু মীতৈ ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদা চৎনরিবসিনি। খন্থরুরবদি ফনা ঙকপা ৱানি। হৌজিক্কী মতমদা মীতৈ ইবুঙো ইবেন্মশিংনা গৌড় ধর্ম্মসিবু নন লোকলগীনি হায়বসিদা করি অমত্তা থাজবীবা লৈতে। গৌড় ধর্ম্মসিবু নন লোকলগীনি হায়বা তাবদা পূক্নিং য়াম্না শাওগৎলি। হায়রিবা মীদুবু মহাপাপীনি হায়না মীতৈ ইবুঙো ইবেন্মশিংনা য়াম্না চৈবীরে। অমতা অনীতা নত্তে মীতৈ পূম্নমক ৱাসি তাবদা য়াম্না শাওগৎলি। অপোকপা ইবুঙোগী মরমদা লেপচরিবা মীতৈ মরুপ ঐখোয়না হায়জরিবনা, গৌড় ধর্ম্ম হায়বসি থাঙ্গৈ শেংবা নন লোকলগী ধর্ম্মনি। মীতৈ ঐখোয়গী ইপা-পুনা চৎনরম্বা ধর্ম্মগী মথক্তা নমদুনা চৎখিবা ধর্ম্মনি। ওই ওইদে হায়বা ৱারী পূম্নমকপু পুথোকচগনি। মীতৈ ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা চৎনরম্বা লাইনীংগী মহুত্তা চৎনখিবা ধর্ম্মদি নত্তে। ইপা-ইপুনা চৎনরম্বা ধর্ম্মগী মথক্তা কুপ্তুনা চৎখিবা গৌড় ধর্ম্মনি।

মরম অদুনা ইপা ইপুনা নীংনরম্বা লাইগী মমিং মথা, লাইগী থৌরম পূম্নমকপু হৌজিক ফাওবসি মীতৈ পূম্নমক্লা গৌড় ধর্ম্ম চৎনা চৎনা মীতৈ ঐখোয়গী লাইবু কাউদ্রিবসিনি। অসুম্না মপান্থোংদা কুপখিবা গৌড় ধর্ম্মসিবু ঐনা জংগোলদা, কোহ্লিংদা পান্দমজরিবনি। জংগোল কোথোকপগুম্না, কোহ্লিং শেংদোকপগুম্না নন লোকলগী গৌড় ধর্ম্মসিবু থাদোক্তনদি ইপা ইপুশিংনা চৎনরম্বা লাইনীংবু মীতৈনা মতৌ করম তৌনা ফংগনি। মীতৈগী লাইসু, নন লোকলগী লাইসু পোকপিরিবনি লানবীরিবনি। লাই অনীসি হৌজিক মীতৈনা চৎনরিয়ে। মীতৈ ঐখোয়গী অপোকপা লাইবু, হৌজিক্কী মতমদা বামোন্না মীতৈদা তাক্লিবদি - অপোকপা হায়রিবসিদি অফ নুংঙাই য়াইফবতা পীনবনি। লানবীবা লাই নত্তে হায়না হায়নরি।

নন লোকলগী লাইদি লানবীবা ঙম্মী হায়না হায়নরি। মীতৈ ইবুঙোশিংনা ৱাখল তৌথবীদে- নন লোকলগী ধর্ম্মসি লৌদ্রিঔেদা মীতৈ ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদুবু লানখিদরবা! মীতৈ ইবুঙো ইবেন্মশিং, শোয়দে- গৌড় ধর্ম্ম হাকন্নবদা মীতৈ ইপা-ইপুশিংদো কৃষ্ণ ধর্ম্ চৎত্রিঔেদা লালমদে হায়না হায়বা তারিয়ে। মুন্না ৱাখল তৌবীয়ু। ইপা-ইপুবু খোঙ্গৈইনবীগনু। ‘পিতা নিন্দা অধোগতি” - হায়বা ৱা লৈয়ে। গৌড় ধর্ম্ম চৎত্রিঔে মমাঙগী ইপা ইপুবু করি হায়না অরানবা খুভম ফংলোইদগে। অরানবা খুভম ফংখিদ্রবদি খন্বগী মমা মপানা লাইরৈবাক্তা লৈদুনা মচা খন্বগী কুম্মৈবু করম্না য়েংগদগে? গৌড় ধর্ম্ম চৎত্রিঔেগী ইপা ইপুশিংদুনা অরানবা খুভম ফংখি হায়বসি মীতৈ ঐখোয়গী থায়নগী ৱারীদা মৈরাগুম্না ঙান্দুনা লৈরিবনি। ইপা ইপুদুনা লানখ্রবদি মীতৈ ঐখোয়গী অপোকপা ইবুঙোবু করি হায়না লানবীবা লাই ওইরোই।

নন লোকল লাইনা লানবী হায়বসিদি ইপা-ইপুশিংদি শুপ্নীংবু নীংখিদে। নন লোকলগী লাইদো ননলোকলগী ‘পুর্ন ব্রহ্ম’নি। মীতৈ ঐখোয়গী লাইসু মীতৈগী অপোকপা ইবুঙোনি। ‘অপোকপা’ হায়বসিদা মীতৈ ইবুঙোশিংনা ৱাখল অচম্বদা পুবিখ্রে। মীতৈ ঐখোয়না হায়জরিবদি, - তেংবানববু ইবুঙো মঙোন্দগী পোকই হায়জরিবনি। ময়াংনা ‘ঈশ্বর’ হায়, মীতৈনা ‘অপোকপা’ হায়জৈ। নন লোকলনা ঈশিংবু ‘পানি’ হায়বসিনা মীতৈ ঐখোয়না লাল্লি হায়বা ঙমদে। মীতৈ ঐখোয়না ‘ঈশিং’ হায়বসিদা নন লোকলনা লাল্লি হায়গদবা করিসু মতিক লৈতে। মরমসিনা মীতৈ ঐখোয়গী লোন্না মীতৈগী লাইবু শোঞ্জরিবনি।

নন লোকলনা ননলোকলগী লোনশনু। ননলোকলগা ঐগা ফূরুপ তিন্নদে, লোলসু তিন্নদে। করম্না লমচৎ তিন্নগনি। পোকপা শিবগী মরীদা মীতৈনা নন লোকল মরোলগী মরোলদা পুমতাং তাংজখ্রে হায়বসি মীতৈ ইবুঙো ইবেন্মশিংনা হৌজিক ফাওবা ৱাখল তাবিখ্রিদবসিবু করিগীনো? শক্লিবা শোল্লিবসিবু মীতৈলোল নত্তে হায়বসিসু ৱাখল তৌবীবা লৈখিদ্রে। মীতৈ হায়বদুগী মথ্বায় ওইরবদি, মীতৈ ইবুঙো ইবেন্মশিংনা ডুম, চাড়াল মুসলমানগী মরোলদা করম্না লাইশোনবীরিবগে? ●

# “অনৌবা লৈঙাক; অনৌবা আশা; অনৌবা লুচিংবা” - (২)

## (ঐখোয় খুদিংমক্না অমনা অমবু ঙাক্লদুনা তুং কোইনা চৎনগদবা পোলিসি অমা শেম্বা মথৌ তারি)

**- সালাম প্রসান্তা -**

ঐখোয় খুদিংমক্কী মাঙদা হৌজিক তারিবসি ঐখোয় খুদিংমক্না অমনা অমবু ঙাকপীবা; হৌখিবা নুংঙাইনদবশিং অমনা অমবু ঙাক্লদুনা নুংঙাইনদবা পূম্বা কাউথোক্লদুনা হান্নগী ফীভমদা অমুক হন্না হঞ্জিনহন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না তৌফম থোকই। অদুবু মসিদা য়াম্না লুরিবসি চীং-তম অনীমক্কী মীয়াম্না মনীং তম্না মখোয়গী থম্মোয়গী ৱা হায়বা ঙমহন্দবা হায়রুরগনা মখোয়গী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লাকপা। মসিনা মীয়াম্বু মনীং তম্না থম্মোয়গী ৱা হায়হনগে হায়রবদি সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা পুকচেল শেংনা চীং-তম অনীমক্তা লো এন্দ ওর্দর অসি নীংথিনা ফগৎহন্নবা হোৎনদুনা মীয়ামগী অকিবশিং লৈহন্দনবা হোৎনবসি য়াম্না মথৌ তাই। রুল ওফ লো লৈ হায়বসি মীপূম খুদিংমক্তা খঙহন্নবা অরৈবা শক্তি শীজিন্নদুনা থবক লৌখৎপা মথৌ তারি। ঙাইহাক্কী য়ান-য়ান্নবা চৎখিবনা তুং কোইবা সোল্যুশন পুরকপা ঙম্লোই। মরু ওইনা হৌজিক চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসি য়াম্না নুংনাংনীংঙাই ওইরি। চীংগী লো এন্দ ওর্দর মপূং ফানা হঞ্জিনহন্দ্রগদি মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিনহনবা ঙম্লোই। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন চীংগী মীপূম খুদিংমক্কী অপাম্বা নত্তে।

সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা সূগী গ্রাউন্দ রুলশিং নীংথিনা মোনিটর তৌদুনা ষ্ট্রিক্লি ইপ্লিমেন্টেশন তৌদুনা সূগী গ্রাউন্দ রুলস থুগায়বশিং য়াম্না কনবা ষ্ট্রিঞ্জেন্ট এক্সন লৌখৎত্রবদি মণিপুরদা শান্তি পুরকপা ঙম্লোই।

ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলূপ পূম্নমক্লা অমনা অমবু থাজনরক্ত্রিবা; অচৌবা কাঙলূপশিংনা অপীকপা কাঙলূপশিংবু নমথদুনা অচৌবা কাঙলূপশিংদা পুনশিন্নবা হোৎনরিবা; মণিপুরগী ফজরবা ঐখোয়গী দাইভর্সিটিদা শীংনরক্লিবা, থাজনরক্ত্রিবা কয়া; দেমোগ্রোফিক ইমবেলেন্স ওইরক্লিবা; মান্ন-মান্নবা মীতোপশিং আইন কায়না চঙলক্লবসু মখোয়-মশেল য়োকখৎনরিবা কয়া অসিদগী ঙাকথোক্লবা কাঙলূপ খুদিংমক্লা য়ানগদবা মণিপুরগী দাইভর্সিটি ঙাক্তুনা ইকায়খুম্নদুনা লৈহনবা; মণিপুরগী টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়দনবা ঐখোয় মশেল য়ুনিটি কায়হন্দনবা কাঙলূপ খুদিংমক্কী মীহুৎশিং অমদি সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং; ইন্টলেকচুএলশিং, লিগেল এক্সপার্টশিং য়াওনা গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিং য়াওবা এক্সপার্ট টিম শেমদুনা য়াম্না কমপ্রিহেন্সিব, ইনক্লুসিভ ওইবা ঐখোয়গী দাইভর্সিটি অসি ঙাক শেন্নবা তুং কোইনা ঐখোয় মশেল নুংশি চান্ননা লৈহনবা য়াম্না সষ্টেনেবল ওইবা পোলিসি অমা শেমহৌদুনা মখা তানা কাঙলূপ মশেল অমুক হন্না খৎন-চৈনবা থোক্তনবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা শেমহৌবা মথৌ তারি। ঐখোয় ঙাইহাক ঙাইহাক্কী য়ান-য়ানবা চৎখ্রবদি হৌজিক ওইরিবা শাথীবা শক্তম অসিদগী হেন্না শাথীবা ফীভম কয়া লাকপা য়ারি। হৌজিক ঐখোয়না মায়োক্লরিবা ইলিগেল ইম্মিগ্রেশনগী ইস্যু অসিদগী হেন্না শাথীবা শক্তম অমা লাক্কনি।

হৌজিক তেল্লবা মতমসিদা অনৌবা লৈঙাক অসিগী মাঙদা তারিবা খ্বাইদগী চাউরবা অচৌবা পোৎলূম অসি হৌজিক তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা পুন্সিগী আশা পূম্বা কায়দুনা; পুন্সিগী আশা কয়াগা লোয়ননা আশা কয়াগা ইরোয়নদুনা ৱানা-ৱানা শাজখিবা ময়ূম কয়া তমথীরবা কাঙলূপকী ঈরাংসিনা মৈ থাদোকপীখ্রবা হিংনবগীদমক্তা চাক চরা অমগীদমক্তা; অমুকসু মখোয়গীদমক্তা লাকপা শেনফমশিং মরী লৈনবশিংনা শায়েন-ঙায়েন্নদুনা চপ-চানা ফংহনবীদ্রবা অঙৈং-অশা, নোংজু-নুংশা ৱানা খাঙদুনা লেল্লিবা খাঙবা ঙমদদুনা মীওই কয়া মতোমদা ফাওবা শিজখ্রবা, ঙসি ফাওবা চহী অহুম মপূং ফাগদৌরবা ফাওবা ৱানা লেল্লিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেশ পর্সনশিংবু অথুবদা মখোয়গী হান্নগী লৈফমদা থুনা য়াঙনা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবীবা, মখোয়গী ময়ূম লৈঙাক্লা নীংথিনা শাবীদুনা মখোয়গী হিংনবগী চপ চাবা লম্বী শেম্বীদুনা মখোয়গী পার্মিনেন্ট সেট্লমেন্ট অমদি রিহেবিলিটেশন তৌনবা অথুবদা থেংথদনা তৌবা মথৌ তারি।

হৌজিক লৈরিবা অনৌবা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমদি মাগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি নীংথিনা সেন্ত্রেল লিদরশিংবু কনভিন্স তৌদুনা হান্নগী য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী চ্যেরমেন অসি অমুক হন্না সী এমনা পায়শিন্নবা হোৎনদুনা ষ্টেটকী সবজেক্ট ওইরিবা লো এন্দ ওর্দর অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা মনীং তম্না ঙাকচনবা হোৎনবা মথৌ তারি। সূ নীংথিনা মোনিটরিং তৌবা, ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেশন; হৌজিক মাঙদা তারিবা সেন্সশ লৈরিবা মরু ওইবা ইস্যুশিং নীংথিনা প্লান তৌদুনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌবা মথৌ তারি। মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্লসু মণিপুরগী দাইভর্সিটি, য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটিবু ঙাক্লা চৎপা, ঐখোয় অমনা অমবু ঙাক্লদুনা অমুক হন্না শান্তি হঞ্জিন্নবা হোৎনমিন্নদুনা হেন্না চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইরক্লবা হোৎনবা মথৌ তারি। ●

**(ওন্নখিবা :- পাউচেসিগী ঙরাংগী ইস্যুদা য়াওখিবা আর্টিকল অসিগী অইবা** *কাংজম হেমন্ত* **হায়খিবদু ‘সালাম প্রসান্তা’ হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক পাবিরিবশিংনা ঙাকপীগনি)**

**- প্রুফ রিদর**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।